**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-09.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- দেঙ্গি লায়না থেংননবদা ডোক্তর অমদি হকশেলগী ষ্টাফ খক্তনা য়ারোই, মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

২) ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী অহুম্লক শুবা নেসনেল লোক অদালট ঙসি পাঙথোকখ্রে। কেস ১২৫ গী লুপা কোতি ১ লাখ ৪৭ হেনবগী শেনফম য়ান্নবা পুরকখ্রে।

৩) ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লিতানপোকপী অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়ুম ২৪ রোম ঙসি নুংথিল শিংখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিংনা অমাং অতা থোকহনখ্রে।

৪) প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মালেমদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ক্বাদ লৈবাকশিংনা গনতন্ত্রিক ওইবা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা তঙাইফদে।

অমসুং

৫) ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়াগা ব্রাজিলগী এগ্রিকলচর অমসুং লাইভষ্টোক মন্ত্রালয়গী মরক্তা ফুড সেফতিগী মতাংদা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখ্রে।

------

দেঙ্গি (এল)ঃ রাজ্যগী হকশেল মন্ত্রি ডাঃ শাপম রঞ্জন্না হায়রি- দেঙ্গি লায়না

থেংননবা রাজ্যগী হকশেল বিভাগনা লেপ্পুনা হোৎনরি। অদুবু লায়না অসিবু মায় পাকা থেংনগে হায়রবদি মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে।

রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লায়না নাবগী চাং হেনগৎলকপগা মরী লৈননা ঙসি আর.দি. ৱিং লমফেলপাৎতা পাঙথোকপা পাউমী মীফম অমদা মন্ত্রি ডাঃ রঞ্জন্না হায়- মমাং থা অমদি চৎলিবা সেপ্তেম্বর থা অসিদা দেঙ্গি নাবগী চাং হেনগৎলক্লি। ওগষ্ট থাদা মীওই ১৪৮ দেঙ্গি পোজিতিভ ওইখি। চৎলিবা থা অসিগী ১৯ ফাওবদা পোজিতিভ ওইবা মীওই মশিং ২১২ ওইরি। ডোক্তর য়াওনা হকশেলগী ষ্টাফশিংনা পায়খৎপা য়াবা থৌরাং কয়া লেপ্পুনা পায়খৎতুনা লাক্লি। অদুবু হকশেলগী মীওইশিংদা প্রজা মীয়ামগী মতেং ফংদবগী খুদোংচাদবা মায়োকরি। দেঙ্গি লায়নাগা মরী লৈননা ঙসি রিভিউ মিতিং অমা পাঙথোকখি। মদুদা লায়না অসিগা মরী লৈননা মথৌ তৌরিবা হকশেলগী ষ্টাফশিংনা য়ুম য়ুম চত্তুনা লায়না অসিগা মরী লৈননা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎনবা হোৎনবদা মীয়ামা থৌ-ৱা শাদবগী মমি তাই। হকশেলগী ষ্টাফশিংদা অথিবা ৱাহৈ ৱাতা শিজিন্নদুনা গেট লোনশিনখিবনচিংবগী থৌদোক কয়া থেংনবা অসি লাইবক থিবনি হায়নসু মন্ত্রিনা মখা তাখি।

অমরোমদা, দেঙ্গি লায়নানা নারগা শিবগী চাং য়ামা নেম্মী। অদুবু লায়না অসিগী লাইওং লাক্লবদি অথুবা মতমদা লায়েংবা তঙাইফদে হায়না ষ্টেট মেলেরিয়া ওফিসার ডাঃ প্রিয়োকুমারনা আপাল তৌরি। পাউগী মীফম অদুদা ডাঃ প্রিয়োকুমারনা হায়- ফোগ্গিং তৌরগা দেঙ্গি লায়না নারোই হায়বা লৈতে। ফোগ্গিং তৌরিবা অসিদি দেঙ্গিগী কাং লৈরে হায়বা মফম অদুদা মহিক য়াওরবা কাং মপী অদুবু হাৎনবগীদমক শিজিন্নবনি। অদুবু কাং মরুমশিংদি ফোগ্গিং তৌবনা হাৎপা ঙমদে। মসিদা মীয়ামা পাক শন্না ফোগ্গিং কাপথোক্তে হায়না পেন্দবা কয়া ফোংদোকপা থেংনৈ। লেবোরেটরিনা দেঙ্গি পোজিতিভ ওইরে হায়না মশক খঙলবা মফম অদুগী মিতর ১০০ গী রেদিয়সতা ফোগ্গিং কাপথোকপগী চৎন কাংলোন লৈ হায়খি । মীয়ামা দেঙ্গি লায়নাদগী ঙাকথোকবা য়ুমগী অকোইবদা লৈবা প্লাষ্টিক্কুম্বা নত্রগা চফুনচিংবা খুৎশেমগী পাত্র য়াওনা ঈশিং তুংবা মফমশিং থন্বীদনবা আপীল তৌরি।

লোক অদালট (এল)ঃ নেসনেল লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর ষ্টেট লিগেল সার্ভিসেস ওথোরিতিনা শিন্দুনা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী অহুম্লক শুবা নেসনেল লোক অদালট ঙসি লমফেলপাৎ কোর্ট কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখ্রে।

ঙসিগী লোক অদালট অদুদা পুন্না কেস লিশিং ৩,০২৩ লিষ্ট তৌখি, মদুগী মনুংদা কেস ১৩৩ লৌখৎখি। লৌখৎলিবা কেসশিং অদুগী মনুংদা কেস ১২৫ য়ান্নবা পুরকপা ঙমখি। মসিদা লুপা কোতি ১ লাখ ৪৭ হেনবগী শেনফমগী মতাংদা য়ান্নবা পুরকখি।

বেঙ্ক লোন, রেভিন্যু য়াওনা কোর্টতা পনদুনা লৈরিবা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগা মরী লৈনবা কেসশিং লোইশিন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকখিবা লোক অদালট অসিদা বেঞ্চ অহুম লৈখি।

লোক অদালট অদুবু য়েংশিনবা লাকখিবা হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জজ, এ. গুনেশ্বরনা হায়- নেসনেল লোক অদালট অসি চহি অমদা মরিরক পাঙথোক্কুনা কোর্টতা লোইশিন্দনা লৈরিবা কেসশিং লোইশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি।

উ (এল)ঃ রাজ্য সভাগী এম.পি. লৈশেম্বা সনাজাউবনা লুচিংদুনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাখাদা লৈবা নোংদম শঙলেন পাখংবা লাইনিংকোলদা পাক শন্না উ চারাশিং থাখ্রে। চহিসিগী জ্ন মঙাদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড ইনভাইরোনমেন্ট ডে নুমিৎতা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হৌদোকখিবা এক পের মা কে নাম হায়বা কেম্পেনগী মখাদা ঙসিগী থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। থৌরম অদু ইনভাইরোনমেন্ট, ফোরেষ্ট অমসুং ক্লাইমেত চেঞ্জগী কেন্দ্রগী মন্ত্রি ভুপেন্দ্র যাদবগী মীৎয়েং মখাদা সেন্ট্রেল রেঞ্জ ওফিসার দি.এফ.ও- গনেশ অমসুং রাজ্যগী ফোরেষ্ট বিভাগকী ষ্টাফশিংনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি।

নিশিকান্ত (এল)ঃ রাজ্যগী হকশেল বিভাগ অমসুং নিশিকান্ত শাপম এম.এল.এগী মীৎয়েং মখাদা কৈশামথোং কেন্দ্রগী মফম কয়া ঙসি কাং হিদাক

কাপথোকখ্রে। কেন্দ্র অসিদা কাংনা চিকপদগী দেঙ্গি লায়না শন্দোরল্লিবা অসিগী য়েংলগা ঙসি কাং হিদাক কাপিবা অসিগী মথক্তা মীয়ামদা লায়না অসিদগী ঙাকথোকবগী মতাংদা পাল্লিসিতি চৎখি।

নোংলৈ নুংশিৎ (এল)ঃ ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মনুং চনবা লিতানপোকপী অৱাং লৈকাইদা লৈবা য়ুম ২৩ রোম ঙসি নুংথিল শিৎখিবা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎনা অমাং অতা থোকহনখ্রে। থৌদোক অদু ঙসি নুংথিল পুং ১ মিনিত ১৫ অদুৱাইদা থোকখিবনি। লৈকাই অদুগী মীওই অমনা ফোংদোরকপগী মতুংইন্না হুমদোকখ্রবা য়ুমশিং অদুগী মনুংদা মমাং চহিগী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাং মনুংদা মৈ থাদোক্লমখিবা অমদি অমাং অতা থোকহনখ্রবশিংগী লেমহৌবা শরুকশিং য়াওরি।

অমরোমদা, থোকখিবা ইরাং অদুদা মৈনা তুমা থাদোকখিবদগী নৌনা শাজবা য়ুমশিংসু য়াওরি হায়রি। অসিগুম্বা মহৌশানা পীবা চৈথেং নংলবা মফম অদুগী মীয়ামদা সরকারগী মাইকৈদগী অঙম্বা মতেং পাংবীয়ু হায়না পুকিং চিংশিল্লক্লি।

তর্পন (এল)ঃ লাংবন থাগী হৈশোই অমদি হৈকৎ লৈকৎ তম্বগী থৌরম অমা ঙসি হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিভলপমেন্ট সেবা কমিতিনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। কমিতি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট মোইরাংথেম মোধু সিংহনা হায়-

লাইওইখ্রবা অহল লমনশিং, অথৌবশিংগী মফমদা লাংবনগী তর্পন অসি কৎপনি। মহাকা হায়- হিয়াংথাং পেমতোন কলেজদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা ইমুং ৮৫ রোমগী মীওই ২৮০ রোমগী ইমুং মনুংগী মীওইশিংগীদমক তর্পন কৎপগা লোয়ননা ইনমেটশিংসু পুজাগী থৌরমদা শরুক য়াখি।

হপ্পা (এল)ঃ রাজ্য অসিদা হন্দক থোকখিবা ঈশিং ঈচাউনা অমাং অতা থোকখ্রবা থৌবাল অমসুং ককচিং জিলাগী ঙামীশিংদা ঙসি দিষ্ট্রিক্ট ফিসরিজ

ওফিসার থৌবালনা ঙাগী ফার্ম খাজিনবদা মতেং ওইনবা হপ্পা ৫-৫ য়েন্থোকখ্রে। থৌরমদুগা মরী লৈননা দি.এফ.ও থৌবাল- কৈশাম দিনেশ্বরনা পাউমীশিংদা হায়- ঈচাউনা অৱা অনা নংখ্রবা ঙামীশিংগীদমক মুখ্য মন্ত্রি, ফিসরিজ মন্ত্রি অমসুং ফিসরি বিভাগকী দাইরেক্তরগী লমজিং মখাদা পোৎলমশিং অসি য়েন্থোকপনি।

স্বাচতা (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা চথ্খরিবা স্বাচতা হি সেবা কেম্পেনগী মখাদা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী ২ ফাওবা লু নানবা, মীয়ামদা ভাব তাহনবা অমসুং উ চারা থাবগী থৌরমশিং লেপ্তুনা পাঙথোক্লি। কেম্পেন অসিগী ঙসি ৬ নি চনবা নুমিৎতা ককচিং বজার বিজিনেস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসননা শিন্দুনা ককচিং ফাওদুনা চৎলিবা নেসনেল হাইৱে-১৩৭ (এ)গী রোড মেদিয়ান অমসুং লম্বীগী নাক য়েৎতা শেংদোকপগী থবক চথ্খ্রে।

অমরোমদা মণিপুর ষ্টেট রুরেল লাইভলিহুদ মিসনগী মখাদা ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন কৈরক্কী নুপীশিংনা নেসনেল হাইৱে ১৩৭ (এ)গী কৈরক বাবু লৌখোং মপাদগী কৈরক তোমাল মখোঙ মনিং ফাওবগী লম্বী শেংদোকখ্রে। মদুদা শিন্থাঙম্বী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন, কৈরক অমদি লৈমরেম্বী ভিলেজ লেবেল ফেদরেসন কৈরক্কী নুপী ৩০০ লোমনা শরুক য়াখি।

ইরাবোত (এল)ঃ ইরাবোত সেলেব্রেসন কমিতি ককচিংনা শিন্দুনা জননেতা ইরাবোত নিংশিং থৌরম ঙসি ককচিং ফৌশুপাৎ লৈকাইদা লৈবা লাইব্রেরি এন্দ ইনফোর্মেসন সেন্তর ককচিংগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থা অসিগী ১ দগী হৌনা থাবুম অমা চুপা চথ্খগদৌরিবা জননেতা হিজম ইরাবোতকী ১২৯ শুবা মপোক কুমওন থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি থৌরম অদু পাঙথোকখিবনি। মণিপুর ইমাগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপা থা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা হান্নগী মন্ত্রি থোকচোম তোম্বা, সেলেব্রেসন কমিতি অসিগী চেয়ারমেন য়াম্বেম সৈত্য, সি.পি.আই ককচিংগী সেনিয়র লিদরশিং শরুক য়াখি।

ভারা (এল)ঃ রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা শেনমিৎলোনদা অচৌবা চৈথেং পীদুনা মীয়ামা খুদোংচাদবা মায়োকরিবা অসিগী য়েংদুনা মীতৈ-মৈতৈ ত্রাইব য়ুনিয়ন্না তোঙান তোঙানবা লোইশঙশিংদা লোনিশিংগী লোন কোকপীনবা তকশিনখ্রে। লোয়ননা এরোপ্লেন খক্তা নত্তনা অতোপ্পা চৎথোক চৎশিনগী পান্থে লৈরক্তবনা এরোপ্লেনগী ভারাসু হন্থবীনবা লুপ অসিগী মীহুৎ কাংবু অমনা মরী লৈনবশিংগা উন্নদুনা তকশিনখ্রে হায়না চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

লাইরিক (এল)ঃ অকাশবানি ইম্ফালগী এপ্রুভ লিরিসিষ্ট হৱাইবম জান্ধোনা ইবা ঈশৈ ময়েক্কী লাইরিক- লিরি শিৎপা অয়ুক্কী মালংবা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা ফোংখ্রে। থৌরম অদু লৈমাকোল খোর্জৈকোল লৈকোলনা শিনবনি। ঙসি ফোংলিবা লাইরিক অসিনা লুপ অসিগী ২৭ শুবা লাইরিকনি।

কেম্প (এল)ঃ নোংপোক লৈঙাক অপুনবা নুপী লুপনা শিনদুনা নোংমগী ওইবা নন-রেসিদেন্সিয়েল কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু লমলোং থোংখোঙদা লৈবা লুপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবনি।

মরাথোন (এল)ঃ মনিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতিনা শিনদুনা ঙসি ‘মনিপুর রেড রন’ হায়না মিংথোনবা লমজেল পাঙথোকখ্রে।

চহি ১৭ তগী ২৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মহৈরোইশিংগী কিলোমিটর ১০ গী মরাথোন অদু অয়ুক পুং ৭ তা মণিপুর ষ্টেট এইদস কন্ট্রোল সোসাইতি (মেক্স)কী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর হাওবম রোসিতানা ইম্ফালগী কংলাগী নোংচুপ থংবা গেটতগী লমথখি অদুগা কিলোমিটর অনিগী লমজেল অদুনা অয়ুক পুং ৮ দা ইম্ফাল ইষ্টকী চিঙারেল তেজপুরদগী লমথাখি।

কিলোমিতর ১০ গীদা কোন্থৌজম সোমোরজিৎ সিংহনা নুপাগীদা অহানবা অমসুং তায়েঞ্জন রুসিয়ুন চনুনা নুপীগী কাংলুপ্তা অহানবা তাখি। কিলোমিতর ১০ গীদা মকোক ওইরবশিং নবেম্বর থাদা গোৱাদা পাঙথোক্কদৌরিবা নেসনেল রেড রনদা শরুক য়াগনি। কিলোমিতর অনিগী ওপন রেসতনা নুপাগীদা

নোংমাইথেম এলেক্সনা অহানবা অমসুং নিভিয়া লাইশ্রমনা নুপীগীদা অহানবা তাখি।

কাং (এল)ঃ ৯ লক শুবা মাংশাতাবম ইবোয়াইমা অমসুং কুঞ্জবতি মেমোরিয়েল লিগ কম নোকআউট কেন্দ্র ৱাইস কাং তুরনামেন্ট ২০২৪ গী ঙসি শান্নখিবদা ওইনাম কেন্দ্র মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চংখ্রে। মণিপুর কাং এসোসিয়েসনগা মীৎয়েং মখাদা থাংমৈবন্দ কাংখুৎনা শিন্দুনা লাইজিং নিংথৌ কাংশঙদা টিম ১৩ না শরুক য়াদুনা চথরকখিবা তুরনামেন্ট অসিগী ঙসিগী শান্নবদা ওইনাম কেন্দ্রনা থাংমৈবন্দ কেন্দ্রবু পাঞ্জল ২১-১১ দা মায়থিবা পীখিবনি।

এথলেটিক্স (এল)ঃ নেসনেল মাষ্টর এথলেটিক্স চেম্পিয়নসিপ কয়াদা শরুক য়াদুনা রাজ্য অসিগী মীংচৎ কয়া পুরকখ্রবা লাইরিকয়েংবম লৈকাই ময়াই লৈরক্তগী লাইরিকয়েংবা বিহারিনা লৈখিদবদা মণিপুর মাষ্টরস এথলেটিক্স এসোসিয়েসন্না অৱাবা ফোংদোরক্লি।

পিএমঃ প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- মালেমদা উংখৎনবা হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা ক্বাদ লৈবাকশিংনা গনতন্ত্রিক ওইবা ৱাখল্লোনদা য়ুম্ফম ওইদুনা পুন্না থবক তৌমিন্নবা অসি মীওইবা জাতিগীদমক মরুওইবা হেনগৎলক্লি। শ্রী মোদিনা হায়- ইন্দো পেসিফিক লমদমদা মরা চেৎপা অমসুং চাওখৎপা পুরকপা অমদি পুমমক চপ মান্ননা চাউখৎহনবা হায়বসি ক্বাদকী অচেৎপা ফিরেপনি। আমেরিকাগী দেলাৱেয়ারদা পাঙথোকপা ক্বাদতা য়াওরিবা লৈবাকশিংগী লুচিংবশিংগী অৱাংবা থাক্কী মীফমগী হৌদোকপদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-ক্বাটর অসি অমগা অমগা তেংবাং পীননবগীদমকনি। ক্বাদকী অৱাংবা থাক্কী মীফম অসি মালেম অসিনা উংখৎনবা অমদি চয়েৎনবা কয়া মায়োকরিঙৈ তানফম অসিদা পাঙথোকপনি।

শ্রী মোদিনা হায়- অমগা অমগা পুনশিন্নবা হায়বসি কনাগুম্বা অমগী মায়োক্তা নত্তে। মসিদি ৱাফম খুদিংমক্তা শান্তি ওইবা মওংদা ৱারোইশিন পুরকবা

মালেমগী ওইবা শান্তি ঙাকবা, লৈবাক অমগী নীংতম্বা অমসুং অপুনবগী শক্তমবু ইকায় খুমবগীদমকি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি নুমিদাং নিউয়োর্কতা লৈবা ভারতমচাশিংদা ৱা ঙাংগনি। শ্রী মোদিনা আর্তিফিসিয়েল ইন্তেলিজেন্স, ক্বান্টম কম্প্যুতিং অমসুং সেমি কন্দক্তরগী লমদা তেংবাং পীনবা হেনগৎহন্নবা আমেরিকাদা বেজ তৌবা কম্পনিশিংগী মকোক থোংবা একজিক্যুতিভশিংগা ৱারী উন্নগনি।

ক্বাদকী অৱাংবা থাক্কী মীফম য়াওদ্রিঙৈগী মমাংদা প্রধান মন্ত্রিনা ঙরাং নুমিদাং আমেরিকাগী রাস্ত্রপতি-জো বাইদেনগসু উন্নখি।

প্রধান মন্ত্রিনা ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রধান মন্ত্রি-এন্থোনি অলবানিজকসু উন্নদুনা লৈবাক মশেলগী ওইবা ৱাফমশিং অমদি ইন্দো পেসিফিক লমদমবু শান্তি লৈবা, তংদু লৈতাবা অমদি চাউখৎপা মফম অমা ওইহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নখি।

শ্রী মোদিনা জপানগী প্রধান মন্ত্রি- ফুমিয়ো কিসিদাগসু উন্নদুনা তোঙান তোঙানবা হীরমদা ৱারী শান্নখি। ক্বাদতা য়াওরিবা লৈবাকশিং অদুদি- ভারত, ওষ্ট্রেলিয়া, জপান অমসুং আমেরিকানি।

এমওয়ু ঃ ফুড সেফতি এন্দ ষ্টেন্দর্দস ওথোরিতি ওফ ইন্দিয়া (ফসাই)গা ব্রাজিলগী এগ্রিকলচর অমসুং লাইভষ্টোক মন্ত্রালয়গী মরক্তা ফুড সেফতিগী মতাংদা এম.ও.য়ু অমা সহি তৌনখ্রে।

নিউ দিল্লিদা পাঙথোকপা গ্লোবেল ফুড রেগুলেটরস সম্মিৎ মীফম য়াওবা লাকপা ব্রাজিলগী এগ্রিকলচর অমসুং লাইভষ্টোক মন্ত্রি কার্লোস হেনরিক বক্বেতা ফবারোগা ফসাইকী সি.ই.ও- জি.কামালা বরর্ধন রাওগা এম.ও.য়ু অদু সহি তৌনখিবনি। এম.ও.য়ু অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা পুন্না প্রোজেক্ট অমসুং টেকিকেলগী ওইবা তেংবাং পীনদুনা ফুড সেফতিগী ষ্টেন্দর্দ হেনগৎহন্নবা পান্দম থল্লি। ফসাইগী সি.ই.ওনা হায়- এম.ও.য়ু অসিনা ফুড সেফতিগী লমদা মালেমগী লৈবাকশিংগা খুৎশমদুনা ভারতনা কৎথোকপগা লোয়ননা হোৎনরিবশিং ময়েক শেংনা উৎথোক্লে।

------